AIDS InfoNet www.aidsinfonet.org Fact Sheet Number 510

# হ্যুমেন পাপিল্লোমাভাইরস (ঐচপিভি)

SAATHII Solidarity and Action Against The HIV Infection In India

খঙজিনগদবা ঃ য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা হ্যুমেন পাপিল্লোমাভাইরসকি মতাংঙদা তান্নবা অখন্নবা টেলিফোন লাইন লৈ। শেল চঙদনা ৮৭৭–ঐচপিভি–৫৮৬৮(৮৭৭–৪৭৮–৫৮৬৮) দা ফোন তৌবীয়ু।

## ঐচপিভি হায়বা অসি করিনো?

হুমেন পাপিল্লোমা ভাইরস (ঐচপিভি) হায়না খঙনবা ভাইরস ১০০ গী মথক্তা লৈ। মখোয় অসি য়াম্না লায়ন ফংই। ঐচআইভি পোজিটিব ওইবা নুপী চাদা ৭৭তা ঐচপিভি মহীক য়াওবা থেংনবগী থিজিল ৱারোল অমদা ফোঙদোক্লি। হায়রিবা মহীক অসি হকতিন্নবা মতমদা লায়ন শন্দোকই। য়াম্না তোয়না হকতিন্নবা মীওইশিংগী চাদা ৫০দা হায়রিবা মহীক মখল অমদি শোয়দনা য়াওগনি হায়না পানরি।

ঐচপিভি মখল খরনা খোঙ অমসুং খুৎতা শজিক তোয়না থোকহল্লি। হায়রিবা শজিক তৌবা অসিদি হকতিন্নবদগী ওইরকপা নত্তে। ঐচপিভিগী মখল কয়ানা নুপা অমসুং নুপীশিংগী হকচাংথোং অমসুং অমাংথোঙদা শজিক তৌহল্লি। ঐচআইভিনা শোকহল্লবা মীওইশিংদদি অমাংথোঙ অমদি নুপীগী হকচাংথোংদা য়াম্না শাথিনা পৎ–পুমথহল্লি। হায়রিবা মহীক অসিনা চিন, লৈ অমসুং খনাওগী লায়না কয়া থোকহল্লি। অতোপ্পা ঐচপিভি মখল কয়ানা হান্নগা মান্নদবা মওংদা সেল মচা পোকহন্দুনা ডিসপ্লাসিয়া ((Dysplasia) হায়না খঙনবা ফিভম অমা থোকহল্লি। ফিভম অসি মীওই কয়াদা কেন্সর ওইরকপা য়াই।

অমাংথোঙগী অকোয়বদা তৌবা ডিসপ্লাসিয়াবু অনাল ইন্ট্রাইপিথেলিয়াল নিওপ্লাসিয়া (এআইএন) হায়না খঙনৈ। মসি অমাংথোঙগী কুরাংবানদা তৌবা ডিসপ্লাসিয়াবু সর্ভিকেল ইন্ট্রাইপিথেলিয়াল নিওপ্লাসিয়া (সিআইএন) হায়না খঙনৈ। এআইএন নৎত্রগা সিআইএন অসি ঐচআইভি নেগেটিব ওইবা মীদগী ঐচআইভিগা লোয়নরিবা মীওইশিংদনা হেন্না থোকহল্লি।

## ঐচপিভি করম্না খঙদোক্কনি ?

মীওই কয়াগী ঐচপিভি ইনফেক্সন লৈরবসু ইখঙ খঙনদে। করিগুম্বা নুংঙাইতবা অমত্তা থোকহন্দনা ঐচপিভি মহীক অসি হকচাংদা চঙলম্লগা মাঙখিবা য়াই। মসি খঙদোক্লবগীদমক লায়েংবীরিবা মীওইশিংনা হকচাংথোঙদা শজিক তৌবা অমসুং ডিসপ্লাসিয়া লৈব্রা হায়না য়েংথোকপীগদবনি।

পাপ টেষ্ট (নৎত্রগা স্মিয়র) অসিনা হকচাংথোঙগী ফিভম য়েংবা য়াই। মসিনা নুপা অমসুং নুপীগী অমাংথোঙসু চাংয়েং তৌথোকপা য়াই। মসি লিক্লিগী স্লাইড অমদা তৈশিল্লগা নৎত্রগা মহী অমদা য়ানশিল্লগা মাইক্রোসকোপকি মতেংনা য়েংগদবনি। মসিনা সেলশিং অসি হান্নগা মান্নদবা মওংদা মচা পোকথোরকপ্রা হায়না য়েংগনি। ডিসপ্লাসিয়া নৎত্রগা কেন্সরসু খঙদোকপা ঙমই। ইং ২০০৯দা পাপ টেষ্টনা লৌবা সেম্পল শিজিন্নবা চাংয়েং মখল অনি এফডিএনা অয়াবা পীরে। হায়রিবা চাংয়েংশিং অসিনা হকচাংগা মরী লৈনবা ঐচপিভি মখল কয়া খঙদোকপা ঙম্মী।

পাপ স্মিয়র শিজিন্নদুনা ডিসপ্লাসিয়া খঙদোকপা ঙম্মী। য়াম্না খুদোং থীনিংঙাই ওইবা মখাদা পীরিবা মীওইশিংদদি অমাংথোঙ অমসু হকচাংথোঙগী স্মিয়র লৌদুনা চহি খুদিংগী চাংয়েং তৌগদবনি হায়না বৈজ্ঞানিকশিংনা ফোঙদোক্লি।

১) মশানা য়ানা অমাংথোঙদা হকতিন্নবা কাঙবু,

২) হান্নগা সর্ভিকেল ইন্ট্রাইপিথেলিয়েল নিওপ্লাসিয়া (সিআইএন) তৌখ্রবা নুপীশিং,

৩) সিডি৪ সেল মশীং ৫০০ গী মখাদা লৈবা মীওইশিং

অদুবু পাপ স্মিয়রনা পুথোকপা ঙম্না চাংমুক ৱাংনা হকচাংগী ফিভম য়াম্না নীংথিনা য়েংবনা সর্ভিকেল কেন্সর খঙদোকপা ঙম্মী হায়না অখঙ–অহৈ খরনা হায়রি।

ঐচপিভি চঙলকপা য়াবা ফিভমদা লৈরুরবা মতুং চয়োল খরদগীনা থা খরগী মনুংদা হকচাংথোংদা শজিককুম্বা থোরকপা য়াই। হায়রিবা শজিকশিং অসি মচা মচা তঙবদৌনা তৌগনি। করিগুম্বা থা–থা লাউদুনা অপিকপা কোবিলৈদৌনা শাৎকাইরক্কনি। মসি মতমগা লোয়ননা চাউখৎলক্কনি।

অদোমগী হকচাংবু হকথেংননা য়েংলগা হায়রিবা শজিকশিং অসি লৈব্রা হায়বা লায়েংবীরিবা মীওই অদুনা খঙবা ঙমগনি। করিগুম্বদা এনোস্কোপ কৌবা খুৎলাই অমা শিজিন্নদুনা হকচাংথোং অদু য়েংবা য়াই। দরকার লৈরবদি, চিংনরিবা শজিক অদুগী শরুক খরা ককথৎলগা মাইক্রোসকোপকি মতেংনা য়েংবা য়াই। মসিবু বাইওপসি তৌবা হায়না খঙনৈ।

হকচাংথোংদা থোক্লিবা শজিকশিং অসি কেন্সর থোকহল্লিবা ঐচপিভিনা থোকহনবা নত্তে। অদুবু অদোমদা শজিক অসি থুংলবদি, অদোম কেন্সর থোকহনবা য়াবা ঐচপিভি মখল কয়াগা শম্নরুবা ওইরম্বা য়াই।

## ঐচপিভি ইনফেক্সন অসিদগী ঙাকথোকপা য়াব্রা?

মীওই অমা ঐচপিভিনা শোকহল্লে হায়বা ইরায় লায়ন খঙবা ঙমদে। লায়না অসিগী খুদম লাইওং অমত্তা লৈতবা মীওইশিংনা লায়না অসি শন্দোকপা য়াই।

কোন্দোম শিজিন্নবনা ঐচপিভি শন্দোকপা পুরা ওইনা থিংবা ঙমদে। মসি কোন্দোমনা খুমজিন্দবা মহীক অসিনা শোকহল্লবা জগাশিংদগী (শন্দোরকপা) য়াই।

ঐচআইভিগা লোয়ননা হিংলিবা নুপা–নুপী কয়ানা পাপ স্মিয়র, হকচাংথোঙ নৎত্রগা অমাংথোঙদা মহৌশাগা মান্নদনা সেল মচা পোকপরা হায়না য়েংথোকপা পাম্লকপা য়াই। করিগুম্বা ফল অদু পোজিটিব ওইরবদি লায়েংবা দরকার লৈরব্রা হায়না য়েংথোক্কনি।

চহি ৯ দগী ২৬ ফাওবগী মনুংদা লৈবা নুপা–নুপী কয়ানা শিজিন্নবা টিকা মখল অনি অয়াবা পীখ্রে। হায়রিবা টিকা অসি থা তরুক্কি মনুংদা পরিং নাইনা অহুম্লক কাপকদবনি। হায়রিবা অসি হান্না হকতিন্নরুদ্রিবা মীওইশিংদনা খ্বাইদগী অফবা ফল পী। হীদাক অসি ঐচপিভিনা শোকহল্লবা

# হ্যুমেন পাপিল্লোমাভাইরস (ঐচপিভি)



মীওইশিংদদি চাংয়েং তৌদ্রি অমসুং শিজিন্নবগী অয়াবা পীদ্রি। টিকা অসি থাবগী অহেনবা ৱারোলগীদমক http://www.immunize.org/vis/hpv.pdf য়েংবীয়ু।

ঐচপিভি ইনফেক্সন করম্না লায়েংগনি?
ঐচপিভি ইনফেক্সনগীদমক হকথেংননা লায়েংনবা পাম্বে লৈতে। মীওই খরদি ঐচপিভিদগী 'ক্লিয়র' ওইবা য়াওই। মখোয় অসি 'ফরে' হায়না খনবশিং অদুনি। মখোয় অসি অমুক্কা হন্না ঐচপিভিনা শোকহল্লকপা য়াই।
ডিসপ্লাসিয়াশিং অমসুং শজিকশিং অদু লৌথোকপা য়াই। লৌথোকপগী পাম্বৈশিংদি ঃ

- ইলেক্ট্রিক য়েৎতুম (ইলেক্ট্রোকুটরি) নৎত্রগা লেজরনা চাকথেকহনবা,
- লিক্যুইড নাইট্রোজেন শিজিন্নদুনা ফমজিনহনবা,
- মখোয় অদু ককথৎপা,
- কেমিকেল শিজিন্নদুনা লায়েংবা,
- মীওই খরদদি ট্রাইক্লোরোএসিটিক এসিড (টিসিএ) অসি য়াম্না কান্নবা পী।

অতোপ্পা তোয়না শিজিন্নদবা হীদাকশিংদি ৫-এফয়ু (৫-ফ্লুওরোএসিল) অমসুং ইন্টরফিরোন-অলফা হায়বা অসিনি। ইমিক্যিমোড (অলদরা) হায়বা হীদাক অসিসু হকচাংথোঙদা তৌবা শজিক লায়েংবদা শিজিন্নবদা অয়াবা পীখ্রে। সাইটোমেগালোভাইরস (সিএমভি) ঙাকথোক্লবা হান্না শিজিন্নরম্বা সাইডোফোভির (ভিসটাইড) অসিসু ঐচপিভি লায়েংবদা কান্নবা য়াই।
ঐচপিভি ইনফেক্সন অসি মরুওইনা ঐচআইভিনা শোকহল্লবা মীওইশিংদা য়াম্না কুইনা নাবা য়াই। ডিসপ্লাসিয়া অমসুং শজিকশিং অদু অমুক হন্না নারকপা য়াই। মতুংদা অমুক হৌরক্তনবা হেক খঙলকপগা লায়েংথোক্কদবনি।
অরোয়বা ৱারোল ঃ
হ্যুমেন পাপিল্লোমা ভাইরস (ঐচপিভি) অসি য়াম্না তোয়না থোক্কল্লি। ঐচপিভি মখল কয়ানা শজিক নৎত্রগা মহৌশাগা মান্নদবা মওংদা সেল মচা পোল্লকপা (ডিসপ্লাসিয়া) থোকহল্লি। ফিভম অসিদগী কেন্সর ওইরকপা য়াই। অদুবু অদোমদা শজিক অসি থুংলবদি, অদোম কেন্সর থোকহনবা য়াবা ঐচপিভি মখল কয়াগা শম্নরুবা ওইরম্বা য়াই।
ঐচপিভি ইনফেক্সন অসি মরুওইনা ঐচআইভিনা শোকহল্লবা মীওইশিংদা য়াম্না কুইনা নাবা য়াই।
পাপ টেষ্ট (নৎত্রগা স্মিয়র) অসিনা সেলশিং অসি হান্নগা মান্নদবা মওংদা মচা পোকথোরকপ্রা হায়না য়েংগনি। মসিনা নুপা অমসুং নুপীগী অমাংথোঙসু চাংয়েং তৌথোকপা য়াই। অদুবু পাপ স্মিয়রনা নৌরিঙৈদা সর্ভিকেল কেন্সর খঙদোকপা ঙম্লবসু, হকচাংগী ফিভম য়াম্না নীংথিনা য়েংবনা হকচাংথোংগী কেন্সর খঙদোক্লবা খ্বাইদগী অফবা উপাইনি।
শজিক অমসুং ডিসপ্লাসিয়ানচিংবা ঐচপিভি ইনফেক্সনগী খুদমশিং অসি হেক উৎলকপগা লায়েংথোক্কদবনি। মসি নৎত্রবদি অতোপ্পা জগাদা শন্দোকখিবা য়াই অমসুং লায়েংলবা মতুং অমুক হঞ্জিন্না নারকপা য়াই।
অহেনবা ৱারোলগীদমক ৱেবসাইট http://www.thehpvtest.com য়েংবীয়ু।

***Reviewed December 4, 2010***